# নহা ওইরিবা ভোটরশিংদা মখোয়গী হক
# ময়েক শেংনা খঙহনবা তঙাইফদে

-গভর্নর

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ২৫ :* নহা ওইরিবা ভোটরশিংনা সমাজ অসি রন তৌগদৌরিবনি। মরম অদুনা মখোয়দা মশাগী হক অমসুং মখোয়না করি তৌগনি অমদি তৌরোইদবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবা তঙাইফদে হায়না চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসার মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা এমএফদিসি গী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ৪ রক শুবা নেসনেল ভোটর দে গী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুরগী গভর্নর ভি কে দুগালনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, নহা ওইরিবা ভোটরশিং ইনকরেজ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মশাগী চহী ১৮ শুরবা ভোটরশিংগী মাইন ফুলফিল্ড তৌদুনা ৱেল ইক্বিপ তৌহনবা মথৌ তাই। মখোয়দা আউট ষ্টেন্দিং ত্রেদিসন ওফ দিমোক্রেটিক প্রোসেস তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংনা মশাগী হক খঙনা চাং ৱাংনা ভোট থাদবা থোরকপসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। হৌজিক লমদম অসিগী নহা ওইরিবা ভোটরশিং থোরক্তুনা অফবা লৈঙাক শাসন অমগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।হৌজিক মাংদা তাদুনা লৈরিবা অচৌবা লোক সভা মীখল অসিদা অচৌবা চাংয়েং অমা ওইনা হোৎনরসি। মীখল অসি শান্তি লৈনা, য়াম্না ভেল্যু লৈবা মীখল অমা ওইহনসি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা মীখলদা প্রোব্লেম লৈরবসু দিমোক্রেসি থাজবা মীগী মশিং নোংম-নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। প্রজাশিংনসু মখোয়গী হক অদু নিয়ম চুম্না শীজিন্নবনা দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহনসি।

অফবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা দিমোক্রেসি হায়বসি য়াম্না মরুওই। মরম অদুনা ভারতকী প্রজা খুদিংমক্না দিমোক্রেসিদা থাজবা থম্লি। সোাসাইটি অমা নীংথিনা লৈহনসি হায়রবদি দিমোক্রেসিদা থাজবা থমগদবনি।

থৌরমদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা চিফ সেক্রেটরি পি সি লমকুঙানা হায়খিবদা, ভোটরশিংগী ৱাখল্লোনদা কম্প্রেহেন্সিভ অমসুং সিষ্টেমেটিক ওইবা প্রোসেসতা চৎহনবা মথৌ তাই। নহা ওইরিবশিং অসি লৈবাক্কী তুংগী তমজনিংঙাই ওইবা মীওইশিং ওইরক্নদৌরিবনি। মরম অসিনা নহা ওইরিবা ভোটরশিংনা মসিগী ৱাহন্থোক লৈনা থবক তৌগদবনি হায়খি।